মোহিনী

ডাঃ ইরুংবম দেবেন সিংহ



Mohini

a collection of poems in Manipuri

by Dr. Irungbam Deven Singh, 1999

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] থোইদিঙজম তোম্বী সিং

MANIPUR

[illegible] পদ্মা প্রিন্টার্স (কম্প্যুটরাইজড)

[illegible]

ঐনু নুংদি নুংশিনা

নুজা ওইনা পোকখিবনা

নুংশি হাপনা কাইহৌবশ্বা ডমদনা

হনখবা নংঙোন্দা।

য়াওফম তাকপা

তৌবিমল খঙবা উৎচবা

মখাদা পীজবিবা শৈরেংশিং অসি "ডি ইম্ফাল ফ্রী প্রেস" (নিতিগী ওইবা মণিপুরী পাউ চে)দা হান্না ফোঙখ্রে। লাইবিক ওইনা পুথোকপদা শৈরেং অযাম্বা শেমদোক-শাদোকপা খবা তৌজবে। শৈরেংশিং অসিবু অমুক হন্না ফোঙদোকপা যাহনবিবগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎচবি।

১) ইচাদু যূমদা লাক্কদৌবি

২) থাবক্লে

৩) ফোঙলু ঙমদ্রবা নুংশিবা

৪) ফেইসন (১)

৫) কবিতা ইবা

৬) ফজবা পাপি

৭) ইনেনেম্মগী মচানপী (যেংখ্রবদদগী মিংথোল খনা হোংলে)

৮) নিং থমথা চঙলকপা।

ৱাহৈ অমনীদং

কবি হায়বসি অশৈবা ওইবদা নত্তে। অউবসুনি (ইংরাজী) ৱাহৈদা Inner seeing and sense)। নাকোঙনসু তায। লাইসু মচু অমসুং মশক কয়াদা য়েকই। নহা ওইরিবা কবি ইকংবম দেবেন সিংহগী শৈরেং ৮৫ গী খোমজিনবা (*মোহিনী* মিংথোনবা) লাইরিক অসি পাকবদা হৌজিক্কী মতমগী শৈরেং নীংশিংই। মুর্ত্তি অমা নত্রগা পরেং অমবু মাঙদা লেপহল্লগা কবি হায়রিবনো হায়বদু অপাবদা শিন্নথোকই। তশেং তশেংবা শৈরেং (pure poetry) গী আন্দোলনগী মনুং চনবা এজরা পাউণ্ড, স্টিফেন মালার্মে অমসুং মখোয়গী সেবক টি, এস, এলিযটকী জগৎ অমদা পৃশিল্লকই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবসি বারেংগী মশক লৌবা শৈরেংদগী পরেং অনীতগী ওইবা অমসুং খরদং শাংদোকপা ফাওবা য়াওই। মর্ত্তিগী মথংদা মূর্ত্তি পৃথোবকই। মণিপুরী শৈরেংদদি কবি দেবেনদি সিম্বোলিষ্ট কবি অমা ওইনা খঙনবনা চেনগনি। মীৎয়েংসু পাকল্লে — মতমগী ওইবকইবা পুন্সীগী চৈনাখোল মবক্তা শাংহল্লিবা আতৈ ওলাপপুসু কাউদে। মখোযবুসু মনুং ফাওনা য়েংই। ৱাহৈ খরদনা যাম্নমক হায়নবা য়োংদ্রে। মতাঙ খরদদি কবি হায়রিবনো পুথোকউ হাযদুনা অপাবদা শীংদ্রে। অদুবু শৈরেং অনাম্বাডি মপূং ফাবা— যাওবি মঙাল অমসুং নুংঙাইবা (Light and delight)।

পরেং খবদং য়েংবীয়ু, তাবীয়ু। 'মীৎ, খূৎ পুনশিল্লবা ঐ নুংশিনা/নাক্তা ফম্লিবী নঙগী নাপদা রা হায়বন্নী' (টেলিফোন)। পরেং অনীগী শৈরেংনি। অসুম্না পরেং খবতনা অর্থ মখল কয়া ফোঙদোক্লবা তোৎনবা শৈরেং কয়া য়াওরি। কবিগুম্বদা খংপ্রেক খংহল্লি। যেং বীয়ু শৈরেং মপূন অসি — 'অঙাওবা।'/ ঐনা হায়রুই অঙাওবদুদা/অদুদগী /ইশা ইথন্তা ইকায়জরকখি।' (অচুম্বা)। প্রমাণ পাহ্নে শীজিন্নবগী (সিমিলি অমসুং মেটাফোর) মতাং দদি অইবগী শক্তি মতীক চানা ফোঙদোকই। খূদম অমনীদং য়েংসি—'কোরৌ মানা চৎখিবগা/মমিগুম ইন্নখি অঙানবসু/অঙানবনা চৎথ্রবদা/'হোয়' হায়খি পৃথিবী অমম্বদা/অহিং চূপ্পা হীপমিন্নখি অমম্বগা।' (অমম্বা অমসুং অঙানবা)। নূপীগী ফজবা থাবদা ইরি—'খূপাক্লা শেৎ থাখিবগুম ঙাঙলবা খজাই', 'থাবল চোংবগী পরেংগুম ফজরবা য়াতোনশিং'। পরেং অনীসি য়েংবীয়ু—'নঙ রা ঙাঙলক্কনু, তুমিন্নতা মরৈয়ু/নঙগী করি নথৌ লৈ? ঐনা ফনবা

শানগনি।' (চীনবান্না হায থম্মোযদা)।

কবিগী মীৎয়েংনা অকোযবদা মহৌশাগী ফজবদা অমসুং খৌগংলবা মালেমদা লেং খোকখিবদা থোবকপা মূর্ত্তি কযাদু—মঙাল মশেক ওইনতনু ওইবনসু বাহৈগী তলিনা ইকোম কোম্বা থেকথোকপনি। তশেংনমক ববি দেবেনগী শৈরে মওংশি সিনা পানিবসি তোপ তোপ্পা ইচম চম্বা (যাম্নদি অর্থ লেবা) সিম্বোলিষ্ঠ শৈরেংগী মহাউ অমনি। লোং চপকী কবিতাসিংগাসু খুৎশম্নরবনিনা (মদুদা জাপানগী হাইকুশিংবসু যাওখ্রে) মতমগী চপচাবা শৈরে হাযবদুমদি তশেংনা ওইবে। নহা ওইনিবা কবিদা অশীর্বাদ পীবি।

[illegible] লমাই ইম্ফাল   শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহ

([illegible])

অইবগী ৱারোল

হন্দক ফোঙালবা শৈরেং লাইবিক অসিনা ঐগী অহানবা লাইবিক্নি। অহানবা ওইবগী হৌনবা ঙাইহৌমদবা, লাঙতক্নবা খবদি লৈখি।

লাইবিক অসি নমদ্রিঙৈ মমাঙদা বাখলদা বাহং অনীখক্তা ঐবু ওংলখি। ঐগী শৈরেং শিংসবু শৈরে কৌবদা মতৌক চাববরা? ঐগী শৈরেংশিংসিবু মীনা পাবিগদ্রা? বাহংশিং সিগী পাউখুম ইশানা পীজবা ঙম্মোইদোবি অপাবশিংগী মফমদগী খঙগদবা মঙাযরে।

শৈরেংবু যাম্নদি পামজকঃ অতৈ ইথৌ কযা লৈবনা থরাব হকচাং নূপাশিঞ্জবদি ঙমজদে অশা অশংবা মওংমদা ইজবা পাজবা হায়বদু মঙাযরে।

মণিপুরদা লাইবিক পাবগী চাং বাংলি। অতৈ লাইবিকশিংদগী শৈরেংনা মহেল্লে মীযাম্না পাবিদবসি। (নভেল, ৱারী মচাদি খবা মপানৈ।) শৈরেংগী অর্থ থিবা ৱারসিংসু মৱম অমা ওইগনি। মদু ওসিগী অচুম্বা তোবা অশে বা ঙাঙবা যাদ্রবা সমাজসিদা শৈরেংনদি ঙ পাহ অমা ওইবি। (মরুওইনা সেটাইবিকেল ওইবা শৈরেংশিংদা।) অদু নংরবদি অচুম্বা ঙাংবগী ফংলববু ফংও হায়বগী দঙ্ও পীগে হায়বক্নি।

মোহিনী ব্নানোং নাপা অমনা (মরুওইনা যুম পান্দ্রিবা, ইনখৎ লক্রিবা) মাগী ৎ শ্মোমগী কাচিন্দা বন্সা খঙহন্দনা মানা খোইদাজবী বন্সাগুম্বী নুজা অমগী শক্তম লোত্তুনা থমই। মহাক অদু শক চূদা, শওঙ-শাদাদা বাঙাঙ খোনফমদা, লমচৎ-ব্যবহাবদা হায়নীংঙাই লৈতনা ফজবী ওইফম থোকই। ঐগীসু মদুগুম্বী নুজা অমখক লৈজে— মহাক্কী মমিং ঐনা 'মোহিনী' হায়না থোল্লে। ঐনা যাম্না পামজবা মিংনি। ঐনা খ্বায়দগী থাক ৱাংনা খঞ্জবিবা নূপী অমা ওইবনা হৌজিক্কী মতমসিদা মযাম্না পঙকৌ কৌনদবা মিং ওইনা থোনবা পামজদুনা মমিং অসি খঞ্জকবে।

মোহিনীগী মশক মগুণ থাদুনা লোইবা নত্তে, হেক থাক্বদা মহাক্কী মগুণ হুম্থখিগদ্রা হায়বগী অকিবা অমা লৈখি। অদুগীসু মথক্তা শৈরেং অযাম্বদা মাগী মরমদা পনবা থেং নবিগনি। অদুনা টাইটল পোএম হাপ্পবোইশিবা হায়না খল্লুবে। অদুবু কোন্নদি টাইটল পোএম হাপ্পবা নুংঙাইত্রদুনা হাপচিঞ্জবে। টাইটল পোএম অসিদা থাবিবা মোহিনীগী মগুণনা ঐগী

কল্পনাদা শাগৎচবা মোহিনী অদুদি যৌবা ঙমদ্রে।

অহানবদা মেনুস্ক্রপ্ট পুবদুনা কবি শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহগীদা যৌজকই। ওজানা পুক্নীং থৌগৎপিবকই, ফোঙনবা তাকপিবকই। মতুংদা ওজা শ্রীথাংজম ইবোপিশক সিংহগা উন্নজকই। ওজাসিগীদা চৎলুববা মতুংদা মঙাল অমা ফংজনগুম খঞ্জখি। মহাক্না বানান, শীজিন্নবিবা ৱাহৈ-ৱাতা, গেট অপ কুপ্পা যেংশিনবিখি। ওজা অসিগী শিংঙম্নবোইদবা লমন অমা তোনশিঞ্জববনি।

ই কাযখুম্নবগী মশক ওইববা কবি শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহবু বাহৌদোক ইবিবকপগীদমক থাগৎচবি অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎচবি। ঐনা হয়াজকল্দগী ইবিবকপনি। মথুম যেকপিবকপগীদমক ওজা শ্রাথোইদিংজম তোম্বী সিংহবু থাগৎচবি।

অবোইবদা, পদ্মা প্রিন্টর্সকী থৌ পুর্বিবিবা ইটাল ইনাওশিংবু লাইবিক অসি পুথোকপদা থবায যাওনা হোৎনবিবগীদমক থাগৎচবি

(জুন ১৫,১৯৯৯) ইকুংবম দেবেন সিংহ

মোহিনী

নুজা অমগী থম্মোয়দা খোঙচৎ অমা

লেপ্লি নঙগী থম্মোযগী খোঙজীন্দা। খোঙ লোন্দে, লৈবমদে খোঙঙাকপা , ওক্লদে কনানসু। ইমম মল্লম্মী মনুং চৎখিবদা। উদে কনামত্তা উববসু মী লৈবম্বগী খুদম। লম্বী লম্মুরুখি। উবকই অশূকপা মোংশোঙ কযা কযা। তিংখংপানবা হু পাম্বী কযা, হৌবি ফজববা হৈ পান্দুনা। অসুম শন্দোকখি লোইবা নাইদনা লৈঙোইনা শাববা। ঈশিং মখোল তাবগুম তৌখি—লৈবমদে খিকম্বদদি। লৈঙোইথক্তা তাবি খোঙ্গুল কযা যাত্রিক কযা কযাগী। মপোপ কাযদবা শব্দ পোলাং বযা হাবি মোংশোঙ মবক্তা ত খায ফুমজিন্দুনা লৈঙোইদা। ঈশিং শীবা লেনা শিগদৌবে। তাঙ্গাসিদা ইমাঙদা চৎলম্মা শকহেনবা অমা ঈশিং পুন অথনবা অমা পুবদুনা ঈশিং খুবামতা পীথকপিযু হাযদুনা নাউদুদা হাযজেনমই। মহাক চৎখি হন্না যেংলমদনা। ইমীৎসিদা শব্দ পোলাং শিংদু উবকই মখোমশিংদুবু নুংশিবিবা ফাওবকই। অদুদগীদি লৈমাযদা হাইখবম্মী ঐহাক জ্ঞান মাঙলদুনা।

(১৯৯৪)

লীক্লীগী জাং

কাযগল্লবদা লাক্রী হাযনবিবদুনি ঃ

থংম্মোয, বাশক, মবী, আশাসু অদু মঙায।

(ডিসেম্বা ১১,১৯৯৫)

ইচাদু য়ূমদা লাক্কদৌরি।

হাযবকই শোযদনা লাক্কদবনি
ঐসু মমাসু ওক্রুগদবনি,
ইচাদু য়ূমদা লাক্কদৌবি।

অসিমসু হাযবকই থেঙলক্কনু
লৈ পবে, অনাসু কাউবক্কনু,
ইচাদু য়ূমদা লাক্কদৌবি।

ইবেম্মা, হাযবগান্ ভম্মোই
শান্দবা সৌবিনু থম্মোয়,
ইচাদু য়ূমদা লাক্কদৌবি।

নংহোং গাঙখ্রবা ইচানি
অনাম কনবনা মহানি
ইচাদু য়ূমদা লাক্কদৌবি।

(ডিসেম্বর ১৮, ১৯৯৫)

ঐখোয় অনী

চৎলে ঐখোয় অনী
অকাযবা হি তোংলদুনা
(অকাযবনি খঙনা)
খোঙচৎ অমগীদমক সমুদ্রদা —
নোংলৈ-নুংশিৎ কল্লবা
ঈথক ইপোম হৌবা —
কবি খোল্লনি কদনা।
সমুদ্রনি মযাদা গুববা
ঐখোয় অনী ঈবাক্কবে
অদদগী।
অসুম লুপং খবে ঈপোল্লংদা।
জ্ঞান তাবকপদা
লেবল্লে তোক্কাংদা
যি খোংদ্রবা
চোকথববা ঐখোয় অনী
ইচোৎ চোৎলদুনা।

(জানুয়ারি ২৫, ১৯৯৬)

ইকাইথবী

শোক্লুবদা তনৌবী হকচাংদু মাগী
খংপ্রেক খংনা হাযবনকই ঃ
'হাইমা তঞ্জখ্রে। অদুদগী
মমাব লোংখি ইন্নখিগী মকুমদা।

(মে ২৯ ১৯৯৬)

থাবল্লে

বৃমযাদা লেপ্লি থাবল্লে
থাবলদা হকচিক লাংনা।
স্নাব তাবনা নীংদু যৌবা
শন্নাংগী চেঙঙী মনম
লৈবক লমজাও ফাও মালংবনা
ওইববদা নুমিদাংগী মতম
কোন্নুংগী পাউ শন্দোকপগুম
শন্দোকখি মাগকৈপ্স্বা পাংনা।

(জুন ১ ১৯৯৩)

টেলিফোন

মীং, খূৎ পুনশিল্লবা ঐ, নুংশিনা

নাক্তা ফম্লিবী নঙগী নাপদা বা হায়রম্মী।

(জুন ২, ১৯৯৬)

মোরে লম্বীগী ঈশিংচাইবী

মচান্দা ঙশে অমা ঙং মানা নোং মবক্তা
মন চা পবকই চা থক্তুনী লম্বী মথক্তা।
হায়বই
ন খাঙদম ৎক্লি নঙ। তৌজশানিদু
সংক্ত নাইঙা হেং চো পেদনা

(জুন ২৯ - ৬)

চমেলৈ

মাগী নূপানা
হঞ্জিল্লকঅ ফূই হঞ্জিল্লকঅ ফূই ঃ
লাইবক থীবী চমেলৈ
ওইরে তাইনফম মাই নূপাগী।

(জুলাই ৩, ১৯৯৬)

নুংশিরুবা

কর্ণগী দোলাই চাকা পৃথখিবগুম পৃথিনুংদা
ইখোঙসি পৃথখি নঙগী থম্মোয়নুংদা।

(জুলাই ৬,১৯৯৬)

নুমিৎ তাবা

(লোক্তাক মপান্দা ঈন চীংলিবী নূপীদুনা)

কোবৌহনবসে ঈবাক্লবে লোক্তাক্লুংদা

ওঃ কনা কনা লৈবগে অমুক্তা কনবিযো।

(জুলাই ৬, ১৯৯৬)

নঙগী ফজবা শৈথাবা

থাজওন্না নৗঙখিববা ফজনবা নঙগী মাযথোঙ
লাইজা সাশি, ওম তব তববা মীৎন্না অনী
নুনা জ্বায জ্বায তাববা নঙগী শাংল শন্নাং
তনা তনাবা তঙাঙ তঙাঙবা নঙগী চীননান
খূপান্না শেং থাখিনওম ঙাঙলবা খজাই
থাবল চা নশী পনেংওম য ডাববা যাতোনশিং
হৈনো অমুনবওম না খাযবন্দবা নঙগী হকচাং
আহ নযদ হনা খূৎচ ঙনা শাবমথ্রবনো ঙসে

(জুলাই ১০ ১ ৬)

নুজাহি পাউখুম

ঐনা হায়কই ঃ

'ইবেম্মা, নঙবু ঈবাংচগে।'

খুম্লকই মানা ঃ

'নহে পাম্মুবা, ঈবাংপিনু ঐবু,

অদুই শক্তক

থম্মিৎ, ননাক্লা নাইনূপী ওইনা।'

([illegible] ২ ১৯৯৬)

খৃাই বাজারদা নোং থূপ্পা

ইশংহেক খংলদনা নোংলৈমসিসু
শং হেত্তো হাইজিল্লকই খঙহৌদে।
খ্বাইবস্বন্দ বাজারগী মীয়ামশিংনা
যেংনৈ মশাগী থবক থাদোক্কদুনা
মানা মখোঙ থীন লম্বীদা
লৈনা লৈনা জগোই শাবদু।
ঐসু যেংলুই চঙশিন্দুনা মচী মদা।
মানা মথবায য়াওনা জগোই শাবদুদা
ইথৌ থাদোক ঙহাক যেংলুই
মাই জগোইদু অদুক নুংঙাইত্রবসু।

(আগষ্ট ২, ১৯৯৬)

ওইহন্নীংবা

ইশেম্মা, কম্লক্কনু আসনগী নপাক্কী

আ মখাদা, অমোংপা মনভা।

(আগষ্ট ১৯৯৮)

নুংশিবীগী হূ

মমবাক্তগী বায়েনশঙদা

য়াঙ হ ই ঐনু।

'কনিগীনো নঙনা

সিদা লাক্লিবা মতমদি চাদনাহ'

ঐনা হায হু চানবদগানি

(হনি হাঙনা হাঙনা)

নুঙা মানা ন শিনা পাঞবক্পদদা

চান বনি চিংদনা।

(সেপ্টেম্বর ৫ .১৯১৬)

আত্মাবু শেংদোকচবা

ঐনা য়েংঙৈ ইশানু মিং শেলদা

অদুগা

ম্নান ভৌজৈ হংগা হন্না গঙ্গাদা।

(সেপ্টেম্বর ১০ ১৯৯৬)

নীংঙোল চাক্কৌবা (১)

ঐদি খংপ্রেক খংলুবে
নস মনুংদা নঙনা
অঙাং অমা পমদুনা
ইনাক্তা ফম্লম্বদুদা ইকায়না।
কয়াদা হোংলম্লবা।
তশেংনা হোংইদা সংসার।
কয়াদা পূর্ণিং নুংশিবাক্লিবনে
খল্লুবদা হৌখ্রবা মতমদো।
চহী অমথক উন্নদনদা
নঙ ঐ কায়নখিবা নুমিৎদগী
চহী লোগী অহোংবা পুদুনা
ইনাক্তা ফম্লম্বা নঙনা।
ঐগী হায়বা খুঙ্গংদগী
থাপ্লা চংখিবদে
মাগী হায়বা
মমুংগা চাদ্রিবা খুঙ্গং অমদা।
ঙহ ং খন্নখ্রদা ঐগী মাগী হায়বসে।

(নবেম্বর ১৫, ১৯৯৬)

খংনবা

হঙেই নঙ কবিগী খোংই?

ঐবুদি ইকুম ইথা ওইবগী খোংজবনি।

নঙনা ডষ্টবিন্দা

লংখোক্লদবা অমোংপা বাহৈশিংদু

লংশিল্লক্লবনিনা ঐগী ইংখোল তম্না

ঐসু

থম্বা হৈনদবনা ফত্ত হৌদি

ইশাগী হংখোলদা

অদুগা মদু

নংখোক্লকপা মফমদা হঞ্জিনহনলখিগদবনি

(সংসারগী নিয়মগী মহৈ ইরা)

নঙগী হংখোমদা নং শিননদ' ৱাপা হৌরা

নঙনা অমুক

ঐনা লংশিল্লকপগীনি হায়দুনা

(নঙনা হায়মা লংশিল্লকপনি হায়রদু

হায়রগা কাউথোক্লদুনা)

ইয়ুম ওন্না লংশিল্লরকখি।

ঐনা নং খোক্লা হায়রাখ নঙনা লং শিল্লকপনি,

নঙনসু লংশিন্না হায়বরকই, নঙনা লং শিল্লকপনি।

(নবেম্বর ১৭, ১৯৯৬)

কান্নদবা পি

কবিগী পাম্খাক্লবি তাঙল নহকচাং

নৌন লৈনদ্রিঙে লৌনম হৈবদুদা ?

থাজনীং তাহন্নু কবি লৈলি মীওইবা ?

হৌজিক্তা কবিগী শীখ্রবি পিবাং ?

(ফেব্রুৱারি ৯ ১৯৯৭)

ফোঙলু ঙমদ্রবা নুংশিবা

ইরেম্মা, ঐনা নঙবু নুংশিজবা কবন্নবু ফোঙদোক্লশিগে?
বাইহেনা হায়বে মঙমদে বাইহেনা ইচম চম্মনখিবনা?
খম্মোয়দগী পুখোক্লুনা উংশি ময়াদে পায়দুনা যেংহনবসু।
খম্মোয় পান্দবা কয়ানা চীবোল তৌনা নুংশিহৈবা শা
থোইনা হেন্না মান্না হায়বস ময়াইদো ঐনা হায়ঙবিবসিদগী।
নঙনা খঙগনর্বা হেক ওই খঙবিগদ্রা হায়বস খঙবিদা
অশে বা খম্মোয় মপাঙনি খঙবিবোইদো হায়দা হায়কবনসু।
নংসু হায়য় অমত্তা কানবা তৌগদবা যাভর্মাসিদা ঐনা।

(এপ্রিল ১৩ ১৯৮৭)

নঙগী শন্নাং

('নিবন -'গী মফমদা)

নঙগী শাংলবা বাপুনজেলগাওখা শন্নার্শিংদুনা
নঙন্ কপাদা বাহল্লিগবা।
নোঙ্গ্বে মাযথোঙদা হাইথবকই বা হাযদৌগুম,
হোগংলে মশালাক শব শব চিংহদো মালেমহংঙ্গ,
পুনশিল্লে পোৎলুম অমা পুবগুম থোকই কোকংঙ্গ,
থাদোক্রে মাল বনা পুব শাগনি মবলগুম
ব কথা-হ নশি হাযব পাম্মুই যেংজনবা লেবোইদো
ইনে ঃ। নঙব বাদ যাবি। ং নৌ। ব জানি।সমক নঙগী

(মে - ১৯৯৭)

অশিবা

(হৌজিক্কী মণিপুরগী লো এণ্ড ওরদবগী ফীভমসিদা)

Deah is busy evnrywhere

— P B Shelley

অশিবা

লেবগুম তৌই গস্বাইদা নক্লা

শহম ফংবগুন [illegible] তৌই মশক উদ্রবসু.

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

([illegible] ১০ [illegible] ১৯৯৭)

অচুম্বা

'অঙাওবা'

ঐনা হাসকই অঙাওবদুদা,

অদুদগী

ইশা ইথম্ভা ইনাযজবকখি।

(মে ২৬, ১৯৯৭)

নুংশি - চাংয়েং

নুবা মানা হায — নঙনা
তশেংনা নুংশিববদি ঐবু
সে লৌবো হৈজ্রাংসি
অদুগা মসিনা
ইনাচদা শিজৌ থিন্দুনা,
ঐসে নঙগীনি মদু শ্লবদি ।

(মে - ৩ ১৯৯৭)

ফেইসন (১)

ফেইসনা লাকপদা
মপান্দা লেঙথোরক্লে
ঃশা তপ্পা অসুম
নপী ওইনাশিংগী হকচাং
নুংশিৎ নুংশা লাংদ্রনা
মাজোল নুংদগী
নংশাপন হেন্নবা
নপা ওইবশিংগ
নাংথোংগী
হাওবা লমহাংদা।

(জন - ১৯৯৭)

গোহিনা

লাইরবা (১)

লাইববা শাপ্নি,
পাপ্ত পাপ্নি।
মাই খাব মীৎয়েং
তৌনিননা খঙদে চাংয়েং।
কল্পনা চৈথাক
খাঙউমদনা মৈথোব
ওমথোবা মীঙৎ মীনৈ
ঙমদ্রবা মাপ নিনৈ

(জুন ৬ ১৯৯৭)

অয়ূক্তা

ঙবা, অহিংগী নোংলৈ-নুংশিত্তা
কেল্লবা লৈবাংতম
চাইনা তাবিবা নংগী শল্লা,
নংগী ওইভ দ্রবগুম চেকশিনবিদনা
নাকন্দা তাবিবা
(থবায যাওদ্রবগুম)
ফি থোংদ্রবা নংগী ইকচাং
শল্লবই
নংগা বাংমদা সংসাবসি লৈত্রবোই।

(জুন ১২ ১৯৯১)

অয়ূক (১)

অযূক্লি।

চান্নবী মাগী মাযথোও

তবং তবংই

লৈটাল-নোংফাই থা দবা অতিযাওম

ঙবাং অহিংগী

অকনবা নোংলৈ নুংশিত্তুগা মমি

থজিক্কং ফাওবা তাবমদে।

(জুন ২০ ১৯৯৭)

কবিতা ইবা

মানা লোম্থোক্কবী কল্পনাবু
অঙৌবা চেগী মথক্তা
মশান লাক্তুনা ঈশ্বরনই;
খূত্তা পায়বা খোর্জেংনা
মরম নাইনা খোংলমই;
মদুতদা
'অয়ো' হায়না লাউরকখি;
খোঙ্জেলদুনু তাবদা
নরান হৌদুনা চেনশিন্নরকখি।

(জুন ৩০, ১৯৯৭)

লাইরবা (২)

লাইববনা
নাঁপাদুগী যৌবনবু
মখোবাঁ নেংখংখি,
মদুনা
ফ্রী. ফ্রী. চোং
মমাঙদা শিংঙমদনা শিনদু
নাঁপাদুনা লেখি য়েংদুনা
উপাই লৈতনা।

(জুলাই ১২.১৯৯১।)

ঐগী হায়বা

নঙবু নুংশিমন্দুনা
ইখূৎনা শেং থাবদি লায়রদনা
চৈফাও চৈরুদে:
পাম্মুমনখ্রদুনা
নমিং ফাওবা কৌরুদে,
নঙবু পেন্নমুক্তা ফাও য়েংল্লুদে।
পাপ চঙদ্রিবা
শেংলবা নঙগী হকচাংদা
কনাগুম্বগী খূৎনা
শোকহনবদি লায়রদনা
মীৎচিনফাও য়েংহন্নীংদে।
অদুগা
নঙবু করম হায়না
লম্লানবা অমগী ওইহনখ্রশিগে?

(জুলাই ৩০, ১৯৯৭)

য়াদ তৌরিনি

নঙনদি হায়রিবা ৱারুন্নু
ৱারোই হায়নগা য়ারম্লবা
করিগী অসুক ৱাজরুনেগে ?
নঙনদি হায়রিবা কান্নদে ৱারুবৈ
ঐসু খঙইনৈ য়াদ তৌরিনি।

(আগষ্ট ১৯, ১৯৯৭)

নুজাই ইজ্জৎ

অমম্বদা, অশূকপদা, অচৌকপদা
তাহৌই নুজাগী ইজ্জৎ।
মমল খঙজদা লংথোক্লম্বরা?
মীনা উরোই খন গন্দোক্লম্বরা?
নংত্রেগা
লৌনম চাউবা তাংহৈবা কশানা
মলহৌনবা নুজাই থুবাম্লুংদগী:
নীংথিবী নুজাগী নৌব হকচাংদা
ওও, থোনগাদনদ্ মজব নৈতেং এই
অনেম্বদা তারৌই শংদু হৌদিত্তম।

(ডিসেম্বর ৯ ১৯৮৭)

অয়ূক (২)

মীৎকপ থোক্লকপদা
অযুক
হান্ননা থুংলম্লে।
কোরৌহনবনা
চীংদোন্দা ফম্লদুনা
মোমোন নোক্তুনা লৈবমই।
লৈবমদবে
লমচৎ নাইদবী অহিং।
চীন যা শেংদোক্লে।
অমোৎপা
অহিংগী গলীদু ফাওবকপদা
মোৎলবা হকচাং
স্নান তৌথোক্লুবে।
অশাংবা খব' মত হোন্দোক্লগা
ফমথৈ আবাম চৌকিদা
ঐগী কাদা।
তেবিলদা লৈবি
ইচাই চাইনা
অহাঙবা যু লীব্রা গিলাস,
এস ত্রেদা উবকই
চুব্দপ মথী, মতেক থন্নাঃ
চমজবনী অয়ূর্কী শমাঙদা
লংশিল্লমই ফত্ত হৌদি

ওক্তবী অহিংদুনা।

অবাপ্পদা

তাবকই কাংশি মখোল

মন্দিবদগী।

নীংশিংলকই— মোহিনী

ঐগী মোহিনী।

লৈ পোলাং অমা পায লাক্লমগনি মন্দিবদা।

মন্দিবগী যৃম্বীদা ঙাবদুনা

ঐবু লাকপবা যেংলমগনি।

মপান থোক্লকই।

উবকই

থবায তানা নোক খেনা শান্নবিবা

মগি থোংদ্রবা অঙাংশি ।

কল্লকউই

ম খাযগী পুন্সাদু অবেম্বদাং

থাপ্লক্লবদা

নেশা পাল্লকই

অপাম্বা কল্লকপগী।।

যেংখৎলুই মতিযাদাং

তশেং তশেংই

লৈচিল নোংফাই থাংলমদে।

মাঙাংবনা

যেন্নখা লূখা লৈবক লমজাও ফাওনা

মাগী শন্থমদা

লৈবাং কেনখিনি মতাওম

তপ্পা তপ্পা শীৎলকই।

উঁযে থক্তা

উচেক-ৱায়া কয়ানা

হরাওনা

চেন-চোংদুনা শান্নরি।

ওহ ঃ ঐনা পামজবা কয়া

য়াওরেনে অয়ূক্কী ফীগাউদা!

(জানুয়ারি ১২, ১৯৮০)

হৌখ্রবা মতম

What I want to escape from

Is myself is the past

—T S Eliot

হৌখ্রবদি হৌখ্রেদনা'

খল্লুরনু,

খল্লুদুনন কবি কান্নবনি?

হৌখ্রবা মতম

নপুক চেংপা নাপানি

একজবানগী।

মাগান হায়খ্রবা

হায়জ নোঙ্জদনা শেল পীজদুনা

হল্লুবা যাবা নত্তে

হৌখ্রবা মতম

থাদো বাথোকশিংগা

ডষ্টবিন্নি,

মোংফম্নি

উসি হায়বা নিডিগী

এস ট্রেনি।

হৌখ্রবা মতম

মাগীদা নোংমতা কোয়কদুনা

উনশি যাবা নত্তেঃ

ইকায়থানা নুজাওম

মাই তঙ্কে হাযদুনা
থাপ্না থাপ্না চেন্থোকই।
হাযদোকখ্রবা বা
হৌখ্রবা মতমদা
সে হাযনা পীথোকখ্রবনি,
শীৎতোকখ্রবা তিনগুম্বনি।
কনাগুম্বনা শিখ্রবদা
অবোইবা মতম লাক্কুনা
হিংগৎলকউ যাববোই,
তৎখ্রবা মবী তৎখ্রবনি।
লৈচিন থাংলবা
শন্দোকখিবা
তামখ্রবা লমদমদ্দুদগী
নীংশিংবা হাযবা বাঙ্গদত
পাউ পুবকই।
নুজা মাবু ঐনা
থম্মোয় শেংনা নুংশিবন্বগী
মমল ওইনা মানা ঐবু
ইকাম্নবা পীবমখি,
নমথাক তৌবমখি।
ওহ ঃ কযাদা পঙখ্রবা ঐ।
কযাদা পঙখ্রবা ঐ।
নোংমা
ছুটি থোক্লকপদা
ইবায লাযনা হায়বকই
'কাযনবশি।'
পীকখ্রবা মথম্মোযদু লৌশিল্ল

মদু অমুক যোমশিল্প

অমুক নমদা পোশিল্প

মবী অমবু

কান্নদ্রবা নীক্লা অমা

পায়বদোনা থুগাযবন্নণা

মহাক চবখি

এলিযটবা অচমসুবা নাপাদুণা।

(নাপা চেইবন্নে)

চৎনমদাহদা

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ঐবু কল্লু, ঐবু কল্লু,
নঙগী থৌববা থাওদুনা
হৌখ্রবা মতম্মু
ককথৎপিখবো ঐঙোন্দগী।

(জানুযাবি ১৩, ১৯৯৮)

ফজবা পাপ্নি

নুজাদু
অসুক্কী মতীক ফজখ্রে
মদুদি
মশাগী মশক
উববদা মিংশেলদা
ৱাঙ্খ তুখি লৈমাযদা।
ফজমন্দুনা
যেংলকপা মীযামদুই মমাঙদা
লেপ্পফাও ঙমজদে মতোমতা.
ইকাইরৈ অঙাঙবা ইন্নফিদা।
খুমদুনা খাঙজৈ নুজানা।
মঙোন্দা
কায়দে লৈতে পুন্না
লৈতে দুনদুম
হৃদুনা পৃথি মাই মফত।
পাখং কয়া কয়া
লাই লাৎখিদরে
নুজাদুবু লাৎনখবে।
ইনাক খুল্লবা কয়া
ভিক্ষাবী ওন
মাগী মখোঙদা তুবরে।
লৈবক-লমজাও
পাখংতনা থনখবে।

মপান থোকপা যাখিদ্রে ঃ
তুংদা মাঙদা ওযদা য়েত্তা
ইন্নরক্কে শঙ্গু শঙ্গু,
নিজবক্কে দয়া নুজাদা প্রেমগী।
মাগী মাগী ওইগে তান্নবদা
পাখং কয়া খৎনবে
কয়া মা ঙাওচৎনবে
লৈপাক ঈবাং হৌখবে।
চৈনবক্কে নুজাবু
হায়নবক্কে বাথোক চাউবী,
নুজাগী অবাবা ওইখবে
কানিংগী ফজকপা যৌখবে।
মমৈথংদা নুজাদা
উপাই অমা লৈত্রদনা
২৫ সুমা শিজখি হু থক্রদনা।

(জানুয়ারি ১৯৯৮)

ফেইসন (২)

ঐনা হাযকই চংখ্রিবী নুজাদুদা ঃ
'ইবেম্মা শকহেল্লবী, শেংলি ফিদু তাত্তৌবে।'
মানা হাযবকই ঈশা তপ্পা ঃ
ও তাদ লংগে হাযনা লংথোক্লম্লবনি।

(জানুযারি ১৮ ১৯৯৮)

হূরানবা (১)

মমাঙঙৈদগী পুলিসনা
তান্নরকপা হূরানবদু
মীয়াম্নক্তা চেনশিনখবে,
মশক মমায় লোৎখরে।
হংলকই অদুদগী মীযামদা ওনখত্তুনা
'কনা কনানো হূরানবা?
নশক লোৎকনু।'

(জানুয়ারি ২৮, ১৯৯৮)

অচৌবনি

অচৌবানা হায় লাক্লম্মিবদু
অচৌ অচৌবা, নাতৈ চাদনা
ব্যবহার যাওদনা তাবা যাদবা
বা নয়ান অমা ঙাওলম্মদু।

(ফেব্রুয়ারি ১৬ ১৯৯৮)

কোরৌহনবদা

অযূক্তা

নমাগ পাকথোক হেক পাক্লা নঙনা

নোংপোক চা শাংগী মবামদগী

নঙক থাংগত্তুনা

যেংলকই চান্নবী মালেম লৈমবু।

নঙনা মালেম লৈমবু নুংশিববা

মালেম লৈমনা নঙবু নুংশিববা

(সাইন্টিষ্টশিংনদি হাযবিদো

নুংশিবা হৈতে নঙদি —

মালেম লৈমনদুম নঙবু নুংশিবনি।)

হৌজিকসিদা

খঙবদা বাবে অচুম্বা

অচুম্বা অবানবা ইমান্দা মান্নে।

নঙগী লাওববা মীত্তুগী মখাদা

তৌবা ওমদে মযাম্না অবানবা

নপুক্তা বাবোৎপা হেৎবা নঙনা

হাযদোকখিনি কিবনা কনাওম্বদা।

মমাঙঙৈগী বাবা ওইখ্রে মসিনা

(নঙবু লাইগুম ঈলাংর্নবিঙৈ)।

হৌজিক্তদি

চাওখৎলকপদগী

নঙগী নগুণ মাঙখবে,

কিনবক্তবে নঙবু

থওই উশীংলক্তবে।

নঙগী নমাঙমক্তদা

মাচম কয়া হাৎতোবপিখ্রে

কয়া অমা মাঙনবিখ্রে

কাঙলুপ মশেল হাৎনবে

হূবান চাঙ্গী তৌনবক্লে

মাঙহনবিখ্রে ইজ্জৎ নুজা কয়াগী।

ওহ ঃ কোবৌহনবা

যেংবা নুঙাইবিববা লীলা কয়াসে।

কালেন থাদা

নঙনা অদুন শাউনবনসু

নিংথাম থাসিদদি

নপন্না খুদম চনাখ্রমাল্লে

লৌচিল মপৈ মপেনা।

কন্থানদা নবাজাইদা খুবাক্না

বাবমতা হায়খিদে নঙনা।

নঙনা শওম লৌ চাউখ্রবা মৈবাগী

সসানসিংবু ঙালহন্দুনা

তৌবি ওইবগুপানবগী সেবা।

নংয় মাঙদ্রবদা

ওহ কমদৌগবা সংসাবসে।

নংঙন্না ওইবঙ মীওইবগী

সনা তৌবা সেনবা

নহে যাল্লে পোকপগী।

নুমিদা ওইবক্রবদা

নে মগী নখৌ লোইবদুনা নঙনা

থাম মায়াইক পা লকই।

নোংচুপ চীংদোন্দা লেপ্পদুনা
চরৈ ফিবু তাখৎলে ·
চান্নবী মালেম লৈমবু
অবোইবা ওইনা য়েংলম্লগা নুংশিনা
ফন চোংথখি চীংলোন ঙাংমদা
নঙগী নয়্মদা।
নঙনা চৎথ্রবদা মালেম লৈমা
মাযথোঙ লাংশিনখি বাবনা;
খাইন --মৈরীনা মৈবাযখি।
পাঙ্গল শোনবীবু
ইজ্জৎ মাঙহনগে তেমশীংনবক্রে
হূবানবা, গুন্দা, মীহাৎপা কযানা।
মালেম লৈমা
অহিং মীংশেল খাঙদুনা
কোবৌহনববু ঙাইজবকই।

(জুলাই ৬, ১৯৯৬)

অমম্বা অমসুং অঙানবা

(এডল্টরী)

কোবৌ মানা চৎখিবগা
মমিগুম ইন্নখি অঙানবসু।
অঙানবনা চৎথ্রবদা
'হোয' হাযখি পৃথিবী অমম্বদা
অহিং চূপ্পা হীপমিন্নখি অমম্বগা।
নোংঙাল্লকপদা
অঙানবনা নোংপোক্তগী খোঙদোইবকপদা
কিগল্লবা অমম্বা
হৌদুনা চেনখি ইফিং ফিংনা।
মযূমদা লেঙশিল্লকই অঙানবা,
পৃথিবীগী নাক্তা নক্লা ফমথখি।
মাগী মাযথোঙদা তপ্পা শোক্লদুনা
নুংশিনা যেংলকই মাগী তালোযদা।
মীৎলুদৈ তাখি পি পৃথিবীগী
খল্লকই অমুক তৌববোই নমথাক
মাবু তশেংনা নুংশিজবা অঙানবগী মফমদা,
অদুবু নুমিদাং হেক ওইবকপদা
অমম্বগী লৌনম রাহৈদা পৃথিবী পঙথখি।

(ফেব্রুযারি ২৫, ১৯৯৮)

পীতং-পাতংলবী নূপীমচা

কুইবে

ফনা কুইখ্রে শিখিবা মমা-মপাদু নূপীমচাদুগী।

তাবদা

মানা ব্না ভাঙবদু, মপান্দা থোরকই মমাদু,

অদুগা

যেংথোবকই

নুংশিববা মীৎস্না অনীদুনা।

মানা

হেক হেক চৎপদা মমাদু অদুম লোয়নবকই ,

মানা

হেক হেক নোকপদা মপাদুসু অদুম নোক্লকই।

(ফেব্রুযাবি ২৮, ১৯৯৮)

ঐগী নূপী

ঐনা হংই ঐগী নূপীদা
মাগী মবমদা।
মানা নীবকই ৱাবী
সংসাবসিগী নূপী মখৈগী।

নূপী ওইৰাগী
লৌথুপ লৌকোই, অকি-অখং
ইকায-ইকি অমত্তা যাওদনা
ঐগী নাক্তা
ইচেক চেকশিন্দনা
চঙশিল্লক্তুনা য মথবকই, হীপথবকই।
(ঐগী হকচাংগা
অমত্রা ওইনা িংল্লখি)
নাপা হাযবা ঐখোযাসি
শাওগল্লি, ফূগল্লি, চৈগল্লি
মোৎলি হাযবা খল্লুদখৈ --
কযাদা চমখ্রবা ঐগী নূপীনো।
মাগী ইংখোলদা
হৌবিবা মনা মশীংদু
অঙাওবা কাওরেল ওন্দুনা ঐনা
চঙদুনা নৈখাযবব্বদা
মানা কৈসু হাযখিদে
কযাদা পূকচেল ফঙত্রব'

থম্মোয চাউখ্রবা ঐগী নূপীনো।

মাগী মাযথোঙ, মাগী শম্লাং
মাগী থম্মোয, মাগী হকচাং
মাগী তবা তবাবা চীনবান
মুন্দুনা কেল্লদবা খজাই অনী
মাগী তনৌবী খোঙ, খূৎ
ঐগী ইবন্নি, লোইনা ঐগীনি — ঐখক্তগী।
মানা ঐখোযদা লাকপা নুমিত্তুদা
ঐঙোন্দা লোইনা পীথোকখ্রবনি।

(ফেব্রুয়ারি ২৮ ১৯৯৮)

ডষ্টবিন

খল্লুই কয়াদা থম্মোয় চাউখ্রবা ঃ
উশীৎ- থওইদবা, তৃক্কচবা পূন্নমক
তৃমিন্না লেপ্লদুনা লম্বীগী মতাইদা
লৌহৌই হরাউ হরাউ মানা।

(মার্চ ১১, ১৯৯৮)

ইনেবেম্মগী মচানূপী

'ইনেবেম্মা
নচানূপী সে চাউরক্রে
লৈশাবী মপুং ফাবক্রে
নীপা নহাগী মীৎযেং চঙলক্রে
থৌশা ৱাশাদনা লৈথোক্রনু
চেকশিন্না শেল্লু, চেকশিন্না।'
মচানূপীগীদমক খনবদা
থৱায় ৱাজববা ঐনা
ৱাফম অসি হৌদোক্লুই নোংমা।

ইনেবেম্মনা
হাযবকই ৱাখল মুন্না তৌবস্লগা
(হান্নদি ইখন খল্লমদবগুম্না)ঃ
'নঙনা হাযবা চুমইনহে ইবুঙো।
অদুবু , য়েঙ্ঙুদো
নঙগী মাম্মসু যূমদা লৈতেদো
মবুং-মৌপ্পা অমা লৈবসু নত্তেদো,
অদুগা ইনেদি নূপীনি —
পাঙ্গলশোনবী, ইপঙ পঙজবী
মাবু করম শেন্নশিবা।'
ঙহাক ৱাখলনা ফুম্বংনৈ।
'ফরে, সুমদৌবো ইবুঙো
নঙনা নূপানি শারেপ ফারবা

পাঙ্গলবা হায়বদু মখোক্রে
নবান যাইনা পুদুনা
মাবু ডাক শেনখবো।'

ইনেবেম্মনা হাযবা অমত্তা ঐনা
যাদবা কৌবা লৈখিদ্রি।
নুমিৎ অদুদগী হৌবদুনা
মচানুপী ঐগীদা লৈবরে,
মচানপী অমগা মচানুপা অমগসু ফংজরে।
ঐগী অনাবা কোকখরে
ইনেবেম্মগী মপু না নসু লৈখিদ্রে
মচানপীসু [illegible] হৌডি ক্রি।

(জাং [illegible] ১৪ ১৯৯৮)

নিংথমথা চঙলকপা

অহিংগী মমেদা
নাংথিবী নুজাদু
ঐগী কাদা
মোং হাদনা চঙশিল্লকই।
মাংনা থাল্লিবা
থাউনৈগী মঙান্দা
ইকায হঙ্গোইনা
ইনাপা চঙশিল্লকুনা
ঐগী নাকন্দা তাপথরকই
হাদনা
মা [illegible] লবা
থাংনাব খঙুনা
[illegible] শি[illegible] ওয়া পাযবকই -
শানবা ঐগী
লাইরবা, ইবচা দা।
ঐগী কাদা
চঙশিল্লকপা [illegible] না [illegible] কিন্তু
[illegible] [illegible]শাস্বন হানবা
মতৌগী হুমাই ভস্রকপবা
ঐ জ্ঞান ওখিদবে
অসুম ভুমখগনে।

(সেপ্টেম্বর ১৮ ১৯৯৮)

চীং

ভূমিগী ফম্লদুনা অহাঙবদ
কবিনু খাঙোনা
কবিবু যে ঙিত
চাইথা কন্না ’সুম্না ফম্লরে
চোকথবা লৈগ্রবনা
শায় .ৰীবুদা হায়দবা।
ইথক মতমদা চংখিগদবসু
নগোঙ পান্দেদো।
নবোল থাক্কেদো
নাউনা উখিবা ওম্মু হায়বনসু।
শিবা নাইদবা
বানা ঙৈ ওবা
ওই বযাদা নবাইবক ফগ্রবা।
মীওইবা শিখিনি
সংসারসি হোংখিনি
অদুগ্নক লৈহৌখিনি নঙদি।

(ডিসেম্বর ২, ১৯৯৮)

চীংদা পোষ্টিং

চা দা কাবকই মৈতৈ নপা।
অসুম অসুম তোঙখোনকই মমাঙু
অদুগা যে[illegible]লকই
[illegible] নপাগী লে [illegible]ঙুম মখক্তগা
[illegible] নূপীগী বা মদা।
[illegible]সুম [illegible]সুম [illegible] [illegible]দানবঃ মখ[illegible]
[illegible]
[illegible]

([illegible] ৮)

চান্নবী

ইঙ্গিনাখিবদা
থোক্লমই থাজ থোঙজান্দা
মাংখাদগী কেল্লক্লুনা।
ঈংলবী মাযথোঙ উবদা
অবাবা পুখ্রা কাউখি।
ফমথবতা মঙায়বি
তোঁবিলদা উবকই ঈশিং গিনাস
অদুদগী
তবি তবি থাংখ থোঙথাং
মানংবনা লেনাবক্তা তপ্পা হুমখিবতম
অদুদগী
উবকই মোমোন মীনোক অমা
না। খিনা থাজগী মাযথোঙদা।
ক' মন দা
মাগী শক্লাংগী চেঙহা মনম্না
থানিবা দ্রুপকা মনম্না
শিবা নমন অমন,
কোযচাই চানন শান্দনা লেনি।
চৈহাক লেবগদি ভুংলোমদগা
নোংবা খং অমনা পাযবকই
ঐগী লাইবক্তো।
অমুবা শক্লাংশিংদু
তা তাবকই ঐগী। পংজুমদা।

অদুদগী
তনাবা চীনবান্দুনা লেঙলকপগা
তাবকই মেঙল ঈশৈ অমা।
ইন্না হেক মেংথবদা
ঐগী মীৎযেং
থাজগী মাযথোঙদা তাখি,
তুংদা লেপ্লম্মা মানা ইমিগুম।
ঐনা খোকখিবদা যূমদগী
লেহৌই মীৎস্না অনৌথক
ঐগী মাযকৈ যেন্না
খোঙদা ভানদুনা।

(ডিসেম্বর ৫, ১৯৯৮)

নৃংশিবা

[illegible]

[illegible]

[illegible]

নীংশিংলকপা

খেঙলবা অহিংদা তুম্নিংঙ
মনীংথোঙ থাল্লকখি।
শচি মপা লৈববা
নূপীগী খাঞ্জেল অমনা হ নবং
ঐনা কৈনখিদ্রবা
তাবদা থূক লাউববা
নল্লবা তোয়না তানল হোৎঙ্গলনি
খেঙলবা অহি সিদা
মীনা তুম্ম হাপাখ্রব লৈনসিদা
শাবগী লৈবল্লি গী এবু
নবি অমক পাম্লিবা
লৌইনা লৌখবদাং
নন থম আশা হি নবগী লৈবদা পনগী খোনা
কনবু লৈহৌবিবগে ঐনা
শগায়বনা
লেমহৌবিবা পুন্সী মংৎ হৃসি নত্তনা

(ডিসেম্বর ২৩ ১৯৯৮)

নৈকাইগী ইচল

[illegible] hus[illegible] an[illegible] have very g[illegible]d wives

—Francis Bacon

গোবোবা

নাইবিক হেতে, খুৎখু খা, মশক খা, মচিং নাই,
(যাযমবানা মাব কনমা পান্নুবিবা এ ভকই)
মহাদেবনু [illegible] [illegible] অচাউবা থকই
[illegible] [illegible] থকই [illegible] ভুই [illegible]
[illegible] [illegible] খা দনা মপু মশক খউনবা
([illegible] কই [illegible] নাযামনাদা [illegible])

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]
[illegible] মখোয় মন [illegible] [illegible]
[illegible] খা মনাগী [illegible], [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] কনাবগো।

[illegible] থম্মোয়সি [illegible] মপুখবেদা।
[illegible] [illegible]
[illegible] পাঙ্গলবা গোবোবা
[illegible] [illegible] মশোনাবা [illegible]
[illegible] [illegible] শিবনা
[illegible] [illegible] শিনদগী [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]

নোংমা শোযদনা হংলক্কনি নঙ-ঐগী মবী
ঈ থাংলবা মবী নত্তনা অতৈ মবী শকখঙদবা
মাযথোঙদতা যেংবা পূকচেল পীকপা সমাজনা।
মতমদুদা ৰবি পাউখুম পীগনি ঐনা মখোযদা।

(ডিসেম্বর ২৬, ১৯৯৮)

লৈকঙলাগী ঈশিংপুন পুবী

Ri... have ... who have ... my Friend

... ave y... w... y... receive from me?

T S Eliot

[illegible] শিবনা [illegible]

[illegible] অশিঙ্গানদ্রা [illegible]

[illegible] নাদা [illegible] নাই [illegible]

[illegible]

[illegible] পৃথিদা।

[illegible]

[illegible] মুথিতুম

[illegible] অবের্মনা।

([illegible])

কপ্তৌ শরুক নোকউ

[illegible] বগো কাপ্লনো [illegible] নপেকন [illegible] সকচদে

[illegible] কাহবাগে কথাগা [illegible] পদ্‌ পাইহনো

কমানো খঙলব্রা মমল পি মবাল অমগা

[illegible] কপ্পা উনগা [illegible] সি কাহ দোহি মাকে [illegible]

কপ্রগ মাহুখিনি নহুগা ফজবা। নোকউ [illegible]

কপ্তৌ শরুক [illegible] নোক্রগাদ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মপা মচা

পাপা, কৈদৌঙৈ লাক্কনি মম্মাদু?

খঙদেনে।

পাপা, কেদৌঙৈ পুবিনি ঐব যুমদা?

খঙদেনে।

পাপা পাঙমনখিদ্রে নঙসে।

অং চুমই

ও পাপা ঐ নঙবু নুংশি (কপ্পি)।

ঐসু নঙব যাম্না নুংশি (কপ্পি)।

(ডিসেম্বর ৩০ ১৯৯৮)

চীনবান্না হায় থম্মোয়দা

নঙ রা ঙাঙলক্কনু, তুমিন্নতা মবৈযু,

নঙগী কবি নথৌ লৈ? ঐনা ফনবা শীনগনি।

(ডিসেম্বর ৩০, ১৯৯৮)

মসকী খোঙচৎ

ঙহাক লেতে খাম্লকইবা মুরবা তুজোম্লবা খবুনা।

কুমখরে ঐখোয় ; পরেং লেংহল্লে।

উকুলনা খল্লবা সড্জুদা লেপ্লে তুপোম্না

ইবাল লৈরবডম, পালি ঙাইনদুনা।

তোঙলবা মীৎশিংদুনা খানা, চিংনা লেংলকই।

করিগী কিরিবা? মীনা মীবু কিবা হৌনরবা?

ইবালস লেতনা, য়োরুবা নত্তে ঐখোয় মখোয়গী

নুপামচাদুনা (কিদি কিনা) মোমোন লোকশিল্লে।

মখোঙ জক্নুবা নাইদ, উঁশিঙবা বাঙাঙ-শাঙাঙ?

ওহ! মীনা মীদা অদুক হম্বনা য়োবা!

ওহ! মণিপুর, মণিপুর, ঐগী মণিপুর!

অসিবা, অসিবা, অসিবা ঐগী মণিপুর!

(ডিসেম্বর ৩০, ১৯৯৮)

চৌকিদার

মহাক ঐগা হায়নদনা
তলন পাদনা ওইবা [illegible] চৌকিদারনি।
নুমিদা, খুদি,
মকু মমাং অনাদু থাল্লদনা
চোং [illegible] আকোয়বদা
এগী মমং।
চেকাশন্না শেটঃ
ঐগী হমগী পোং [illegible]
এগী মমদা অসুম নৈনবদি
এগী [illegible]
নান হুথিল হায়দনা
মহুমদা পুক্ষি চেকাশঃ। [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
অদু [illegible]

([illegible])

হূরানবা (২)

ভূত প্রেৎকুমই। শউমদি ফংই।
ইনক নক্সা লৈনগুমই।
মাঙদা চৎখিবগুম তোখি
লৈশিনখিবদা হেক্তা লৈবমদে,
নক্সা তংদা ইন্নবকপগুম খল্লই
য়েংথোকখিখ্রদা হেক্তা লৈবমদে।
মাংগী মাযথোঙদা তানগুম [illegible] মখি অমা
[illegible] মায়োন [illegible] খুমজিনখি।
[illegible] শানথ্রবা [illegible]
[illegible] মাং [illegible] মাগানি।
[illegible] মাদ মাগী [illegible]
[illegible] মনেনে
[illegible] হোককদনা [illegible]

([illegible] ১৬ [illegible])

যুঙাওবা

But he thought he might escape from one life to another
And it may be all one life with no escape
— T S Eliot

নুমিদাং ওইরে।
লম্বীদা
হল্লক-লম্বী কাউরবা যুঙাওবশিংদু
মঙ মঙলুই
মঙফাওনরকপদা লোইনা মাঙখিবা।
নুংঙাইবা থিরকই
ভাবনা শাবা সংসারদুদা।
মীৎকপ থোক্লকপদা
অমুক ভাবকই মাগী সংসারদা।

(জানুৱারি ১৯৯৯)

নোরোক

মণিপুর, নহাক্কীদমক রাদবা ঙমদে, ঐহাক

- এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

(১)

কয়াদা নুংশিজখ্রবনো নূপীদু অঙাংশিংবুঃ

অমনা পুক্নুংদা, অমনা নঙ্গন্দা

অমনা শেগাদা, অমনা খুত্তা শম্ন

নুংশিমন্দুনা ;

চরা হেক হেনবা ঙন্মিদা মচাশিংগীদমক !

(২)

নূপা অমা তাদুনা লৈরে।

শিরবরা হিংলিবরা ?

হায়নীংবতা হায়বু

ও ঃ হায়নীংবতা হায়বু —

হিংলি হায়গেরাঃ

লৈবাকসিদা

করি খেন্নরি অহিংবগা অশিবগা ?

(৩)

ওঃ বন্দ ওক্লবী, ইকায়নাইদবী,

খুদোংচারবী, হক্লকনবী

লক্লনু লাক্লনু অমুক হন্নাঃ

রেংনীদরে

ফজবা, নুংশিবা মচেংমতা পক্লবা নশজো !

(৪)

মী চিন্নবা উফুল হৌববা সডক্তা

লমজেল তান্নবকই

তম্নলাইশিংনো

পাউী থাওনা থৌবদনা।

নৌথাক অসি শাম্নলংনি মখোযগীঃ

চাওনীংবা ভাংবা, ফানাংলে ফাবা

ফুনীংলে ফুবা, হাৎনাংলে হাৎপা।

ঙহঃ নখোয কুমথবকউ ঐখোযগী থম্মোযদ

চয তৌবোলাউ থম্মোযবু থম্মোয়না।

(৫)

শাজাবদা

দারোগা সাহেবতুনা পাঙশাভদা শাউই

[illegible] বিক্কাবালাশিংদুদা,

[illegible] নীদবগী নি হায

[illegible]

[illegible] কিন ইরোল সিটি ব্লি[illegible]।

(৬)

[illegible] খোঙখাক্ম লৈতে।

[illegible] লৈবাক হাযবদুবনে অসিবু

[illegible] থাঙ না ঙম্নক্লে

[illegible] ঐহাকসিন।

(৭)

ও দীংগোন না মা লাগা পাইবকপা

শম্নদা [illegible]

[illegible] নযমদা ও নযমদা,

অশিবনু কোবাক ভানাংদ্রবা নখালদুনা

অচৌকপা থুগাযবনু না শিব হবমদমগী।

(৮)

মণিপুব

ঐগী নুংশিজববা মণিপুব।

মী কাঙলূপ কাঙলূপ

কুচ্ তোঙান তোঙান

বাখল তোঙান তোঙান

ধৰ্ম্ম তোঙান তোঙান।

অশাউবা, লমন খুম্বা

মীনা মাগী খন্দবা

মিনুংশি লৈতবা, পুকচেল পীকপা

ঐ ঐতগী মখনবা

হিংমিন্নবগী ৱাখল লৈতবা

অচুম্বগী মিংদা অবানবা তৌবা

শক্তিবু লান্না শীজিন্নবা।

অশিবা, নোংমৈ, সিফায, পুলিস

তেংখা-নাওইবা অবোনবা পিবা।

মোংফম পবেং পবেং

প্রোসেসন মনম মনম।

রেল্লি বন্দ, ষ্ট্রাইক, ব্লোকেড,

পেন্দবা, নীংবা থুংদবা, লাইববা,

না তাথীবা, উশিং থওইদবা,

চীনবান্দা খোইহী তৈবা থম্মোযদা হূ ফুম্সা।

অসিনি মণিপুব

ঐগী নুংশিজববা মণিপুব।

(জানুযারি, ১৯৯৯)

চীনবান্দা খোইহী থম্মোয়নুংদা হূ

(য়ু ঙাওবা অমা থেংনকপা)

যু ঙাওবদুনা হায শাউবীনু, শাউননবা তৌবগা
ঐসু হায শাউজদে, শাউনা শাউনা পূক্নীংদা।
(থাগৎচবি মরূপ, শৈবেংসিমা পীবিবম্বগীদমক
মমলনি খঞ্জবগে পীবিখিবা নুংঙাইতবশিংদুগী।)

(জানুযারি ১৭, ১৯৯৯)

নীংঙোল চাক্কৌবা

[illegible]

নীংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎকা।

[illegible] থম্মালজাও

[illegible] লাউবি।

[illegible] কপি ইবেমহল।

[illegible] ইবেমহল

[illegible] -

[illegible]

[illegible]

[illegible] মথা[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

করিনুংগী শাথলি লৈরাং

মূক নচুগী শাডিদুনা নাংথিবা নুঙাংদু
লৈবাংদা লৈবাংনি খোং নৌনা।
পাননা ইন্নফিদা মাগী ডোব হকচা দু
লেঙডম শাঙমদবডম অদা অপুনবডম
মপান খোঙ্কীথাখ ননথাযদুনা শাডিদু।
মানা মকা ফন্না, থাঙায় তানা শাংথনিবা
মাগী নুপানা নেথংতুনা শান্নননবা অবেম্দা

(ফেব্রুয়ারি - ১৯৯০)

অবা-কোকথোংনরবা মচা

Speak father Spe ak to your little boy

Or else I shall be lost

— W Blake

মপাদুনা মাবু লৈতঙগায মবক্তা থাদোক্রম্মী ঃ
চংপা হৈত্রিবা মাবু চংলু চংলু হায়বম্মী
পুন্সীগী শব্দ শগাং চন্দখৈ মচান্দা নমশিল্লদনা
চাও চাও হায়বমই পীক্রিবা নপামচাদদা

((ফব্রুয়ারি ২ ১৯৯৯)

নিংথমথানা হনখিবা

যাববোই, কান্নববোই খল্লমাল্লে
হৌগৎখবে নুজাদু নাকন্দগী ।
নুংশিনা চেজেৎনা পাযবম্বা ইখূৎসি
থাদোকখবে থাদোক্লীংদা অসুম অসুম ।
চিংখত্তুনা শেৎচিনখবে শাডিদ্ ।
নৌববা খোঙদু তবি তবি থাংলদুনা
চৎখবে তুমিন নীংবা কাযববগুম
ঐনু যেংল যেংলদুনা মকশিল্ল মামথোঙনা
যাঙদোক্লাংবা বা নোংইনা ফোঙদোক্লৌদ্রব ওম
(মাগী নুংশিবদা খৌতক চাখি এ
না শিমল্লা চপ্পদা ঐনু টাকপংখি ।।
হাংদোকখবে থোঙ তনৌবা মখুৎনা
থোকখবে মপান থিংজিল্লম্লদনা থোঙ
উখিদবে নুজাগী নাংথিবা চেংলৌ শকেম
অযুক্কী নত্রগা অহিং মমৈগী থোঙজান্দা
পলহৌবা শাড়িগী ফীজিদু নত্তনা ।

(ফব্রুয়ারি ৫, ১৯৯৯)

মায়া

যামাহা অমা থাম্লে মখোযগী থোঙ্গালদা।
তোযনা লাকমল্লি ঃ থম্মোযদা শাউনাংখি।
মীহুৎথোও ফাওনা ফল্লপ যেংথোক্লকই
নী থিবী মাযথোঙ অমা থোঙ্গাল তম্না।
মাযানি। (ওইহন্নাংদে হাযদনা কৈদৌকনি?)
চেম্থোক্ল কই মাযা। ওঃ নংগনিনে ইবেম্মা
ৰবিগী অদক তহাবগে?লেপ্লবে মনাক্তা।
নোককেৎ তৌখি মাযা। যেঙু ইবেম্মা
মবম চাদনা নোকপা মমল হৃম্বহল্লি নহাক্কী
মোমোন মীনোক অমা মাঙহল্লে অবেম্বদা।
নাপাদু বা ঙাঙদে মুন্না লেংই নুজাদা।
ও মাযা নৈথোকউ নঙগী মাযথোঙ থাপ্লা
মীৎচান্নবনু মীৎচান্নকনু, ও মীৎচান্নকনু মাগা,
মাগী মীত্তা ঙ্রুঙ ঙ্রুঙ চাক্রিবা কল্লকপৈ মৈবিনা
ওঃ চাকথেকখিনি নঙগী তনৌবী মাযথোঙ।
তো খৎখরে যামাহা মনীংদা মাযা।
নত্তে কদাযদনো ইবেম্মা? ঙসিদি চৎখ্রনু,
হকচাং ঙমদে হাযখরো। মাযা চৎখবে।

নুমিদাংবাইবমদা থৌজিল্লকই যামাহা থোঙ্গালদা।
কুমথবকই মাযা। বাই তৌবম্মী নীপাদুদা
ঙৌববা তাইফেৎ তাইববা মখূৎত্তু থাঙ্গৎতুনা।
খবা চৎলুবে, অমুক হনখি নীপাদুই মনাক্তা।

নত্তে, কবি অমুক হার্যাখিগে হার্যাবিনো?
অমুক উন্নগদবা মনেবে কোন্না হায় মাদ্রা?
বাবী শান্নখি ফনকুইনা নোকমিন্নবদুনা।
গোখবে যামাহা মমৈখ-দা খ ঙ- ঙংলম্নগা।

নাবশ্লনি, মায়া। তনৌবা নঙগী হৌচাংনি।
পোথাবো মায়া, পেশাবো নাবশ্লা।
ঐসু নারে (নঙগীদমক থনবদা) এসু নাগে
নঙনা পোথাড্রিবমখৈ পোথাবা যাবোঃ ঐ
অদনা পোথাবো নঙা [illegible] পোথানে।
খঙ্খ্রনবু মাগী মবমদা অনেশদা [illegible] শুবন্।
[illegible] মাগী বাখল [illegible] পোং [illegible] নবনদি
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] শিতেবা এব

([illegible])

লুখ্রাবী মমা-মচা

মপুরোইবা লৈখিদ্রে। কুইদ্রি। য়াওবি অঙাং অপিশক অমসু। মশা নহানি।

মে নদা অকিবগী মশক্কি। মাযথোঙ ইচপ চপ্লে। চেনখবে ফজবা মাগী মাযথোঙদগী, লৈহৈদ্রে হাযদুনা। শক্দশিংনা, উনশাগী ইন্নফি ফাওনা যেংথোবক্রে মূনা মূনা। কোম্লংদা তাখরে মমীং অনী।

পীক্রিবা মচাদু লাপ্তুক শান্নবি মমাবু কাউবমথৈ। মমাগী মীৎযেং অঙাংদুদনা হেন্দোক্তে। মাগী আশাসু অঙাংদু ফাওবদনি।

লোংমনা লল্লি নুমিৎচুপ্পমা চুবা মেত্তুনা। নোংমনা, অচৎ অওকশিংগী মখোঙ যেংদুনা। অহিং চুপ্পমনা অতিযাগী থবানামচাক মশাং থাদুনা কবিগুম্বদনা, নুমিৎচুপ্পমা হীক হীক কপ্পদুনা। (মীৎলুদগী তাবকপা পিবাংনা ঈকজথোকপি মতম্বাক্তা পম্লিবা মচাবু।)

মপুরোইবদু কন্না থামখি মানা লৈমাযদা থবো থবো ওন্দুনা, মখোঙ কোল্লদুনা। নুংদা ঈশিং চাইবগুম থোক্কখি। মনুং-কনবা, হাযখিবা ব্রা হোংদবা মীগুম, মপুরোইবদু চংখি মমা-মচাবু হুন্দোক্রম্লগা।

(ফেব্রুৱারি ১০, ১৯৯৯)

ঐগী ওইগদৌরিবী নঙোন্দা

ইবেম্মা, নঙবু অসুক কুইবসি লাক্লে
নীংজদুনা, নুংশিজদুনা, ঈবাৎচদুনা
নঙগীদমক কৎথোকচদুনা —
কবিগী অসুক মীবাযবিবা ঐবু ?
কবি ইবাল লৈদুননো ঐসে ?
নঙগী থম্মোযদুবু, ওহ ঃ নঙগী থম্মোযদুবু
মিনুংশি মচেৎমতা পক্রববা ?
নূপীগী থম্মোয
লৈনাগুম থোাংলি হাযনবদাইনে ?
হাযযু থৌদ্ নূংনা শাববা ?
কবিগী থোক্লক্কবগে ইমাঙদা শংশং
কল্পনাগী রূপ খাদোক্তুনা ?
নূংগী মূর্তি ওইনা অসুম লৈবদবা ?
কবিগী ওইবক্কবগে নঙগী হকচাং তোংশাগী ?
কবিগী ঈ চেল্লক্কবগে নঙগী তোংশাদা ?
কবিগী মিহুন হুক্লক্কবগে নঙগী নথাদা ?
অহাঙবা, অচীকপসিনি ঐনা খাঙঙমদবা,
ঐনা কিবিবা, ভুক্কচবিবা, হঙোইবিবা
অচৌকপা অহিং, অহাঙবা যুম
মী চৎনদ্রবা নুমিদাংগী লম্বী
অহাঙবা লমহাও
ঐবু পাশিন্, ঐবু পুশিন্লু, ইবেম্মা,
সাথাবণ ওইবা লম্বীদা, মীযামগী

[illegible] শিলা [illegible] আমোন মাঁনোকা।

[illegible] কম্লু উবেখা, ঐনু [illegible]

পর্সাবু কানাদনে খল্লক্রনা ঐবু কম্লু

[illegible] হৈলাগী। ফড়ংবদা ভাওবক্লবা [illegible] [illegible]।

নাএগ।নো নওনা ঐবু শাউবিবা?

[illegible] নাডুনু নুংশিঙবদা ঐনা

[illegible] মকপা কবি লৈখি ঐগী?

[illegible] শিবা মীযাম্লকসিদা নও-ঐ

[illegible] নাডুনা ভমদনা লৈনবনা?

[illegible]

[illegible] অমদা

[illegible] ঐনু [illegible]?

[illegible] হাওকসু

[illegible] হীজিবসু চাগনা,

[illegible]

([illegible])

লুহোংবা নুমিৎকী নোংঙাল্লকপদা

যাহৌবকপদা

সনাগী সিংহাসন মথক্তগী

ওন্থ তাদুনা লৈবমই ঐ

ঐগী নৃপাগী

অশিবা ওকচাং মনাক্তা

মীৎকপ থোক্লকপগুম

নুংঙাইবা মঙ অমা মঙলুবদগী।

ঐগী ফাজোল মল্লমই

ইশেৎ শেগাযবমই

বিপ ভান বিনকলনা

চহী কুন তূম্লুবগা যাহৌবকপদা

ওইবম্বা ফাভমদুগুম।

বাখলদা অসুম্বা ফাওবম্বী

খোঙজেল কানখ্রবগুম সংসাবগী,

লোই থাখ্রবগুম মাবমদা

বাজবিদ্রোহী অমনা

খঙহৌদনা লাল হৌবক্তুনা

ঐগী বাজ্য মুনখ্রদুনা,

নত্রগা ঃ ঙবাং নিংথৌ ওইবম্বা ঐ

ভিক্ষাবী ওনখ্রবগুম

দূর্বাশা মুনিগী শাপ্তগী ।

(ফেব্রুযাবি ২৩, ১৯৯৯)

য়াউশং

ভাবেবগী মচু মবক্তা
নঙনা লাল্লম্মী ইনাক্তা।
ঐবু নুংদি নুংশিনা
নুজা ওইবী মপোক্তা পোকখিবনা
নু শি হায়বদি ডমখিদবনা
নহাব হনখি
না বা কায়না তুবথনা।
নম হবেম্ম।
নৈনা হন । ... নম ... দো।
চেংনা কনলন বমদা
... র্মিবশিদ ... হায়...দ্রে
... । ... সি মত য়া। ... পাখবগিদ্রে।
নঙ হনখি এথো ... হাঙ্গালদগী
... মথানি চপ্পা লেপ্পল্লগা
... লহৌনে
ম ... লোং ... ওন ... দনা
... । বিদু নাংডমদা ন ... ডমদা।

(মাচ ১ ১৯৯৭)

ঐগী নুংশিবা

ঐগী নুংশিবা
চঙজকম পীখিদে নঙনা।
মবাল লৈজদ্রবা
তোল্লবা ঐগী নুংশিবা
মিনুংশি মচেৎমফাওবা
উৎপিখিদে নঙনা।
পাতং পাতংলবা
মখোং নাম্মা সাঙদ্রবা
ঐগী নুংশিবা
চঙজখম লৈতবনা
নমজাও সঙজা
অচাওবগুম কোয়চং চডুনা
ঙথা নাখাদা সাবেক্কুনা
নাঙগু নুংশা মনক্তা লেনাবা।

(মাচ ১২ ১ ৯১)

ঈথক-ইপোম

ইনাত্তা ফল্লি মহাক — যাম্না নক্না। অঙাং ওইবিবা মোমোন মীনোক অমা পান্দুনা লৈবি, মাগী মাযথোঙদা পীক্রবা লংলা অমনা। ঐনা সেংখিবা নাং য দা খাঙবা ঙমদদুনা অঙাঙবা ইন্নখিপী মবমদা লোংখি মাযথোঙ। মাগী তনৌবী শক্তি শোল্লনদা পূপ লাউনা তাখি মাগী মোমোন মীনোগু লৈমাযদা। মীৎস্না অনীদু তথক তথকখি শান্দানবগী শংম য নদা শঙিনা ইপা পাখংখিবগুম, অদুদগী যাঙ্গাই শগোল তো খক্কপ থাদুনা থীগি মাগী মিখল। তনিক তানবখি মাগী হকচাং কিবন। নু শাস্মব যইনা। হানহি খঙহৌদন নু শিংমইখি। লাইথোকখ্রবগুম মংলেমসিদগী। তনোবা মখু হু হাম্বানা চিংথোক্লী চি খোক্লুনবসু ঐনা নানৌখিবদ্রা শন আদুম থেংখি ঐগী খুত্তা ঐগী নহৈবগুম। অদুগা ঐহাক কল্লকপনা মৈ রই। এসা ওইনৌ মনখ্রদুনা ঐগী ইশাদা তিংশিল্লগে থৌনা লম্মা মাদু।

(মাচ ২১ -১৯৯৯)

নোংলৈ-নুংশিৎ (২)

খুৎপাক্লা শেৎ শেৎ থাই পৃথিবীগী মমাযদা নোংনা। অতিযানা শাউনা মমীৎ ফার্কাচল্লি, লাউ-খোংনা চৈবকই। লংশিল্লি পৃথিবীগী হকচাং দা লৈতৃম মপৈ মপৈ। বজ্র শীংজংনা যানশিল্লি। মচিং-মশোন নাইবা মকহ্রা ফত্তবা নোংলৈ নুংশিৎনা শাউবক্তুনা মশম মনা ফোযদৎবে হোৎনবক্রে পৃথিবীগী। কবিগীনো খঙদে অসুক শার্উবিবা মখোযনা পৃথিবীবু।

(মাচ ২৮ ১৯৯৯)

নঙগী মোমোন মীনোক

jewels will fall from her lips when she smiles

—Rabindranath Tagore

(১)

নঙগী তনোবা চীনবান অনাগী থোঙদ খিত্তং হাইদোক্লুনা, ঙৌবনবা পবেংনাইবা যাতোনশি দুনা, কনাগুম্বী শকহেনবা নুঙা অমনা। মীত্তংথোঙদা হাইহৌবদা যেংথোক্লকপ তম্লা যেংথোক্লবই। নঙগী মাংলগা অনাদু হাইফেংদুনা উইশিনাই। নঙগী ঈখা নবা থম্বাহৌ অনাদু শেন্দুনা লৈমায়দা পাখদৌবে (মল্লাদুনা)। অসুম্না ঈহৌ মচা মচাশিং দ অচৌবা ঈথব অমা পুইথিদুনা নঙগী মাযথোঙগী পাকুনা ইপাক্তা তনাখবন্না।

(২)

নঙগী মোমোন মীনোও নঙগী নশাদা যাওহনবা মেকপ্প লৈতে নি নঙগী পাইরোন্দা থেংনা লৈবা ওস্নি। মদুনা নঙগী হৌবনা শন্দ চাম্মা হেনগৎহল্লি। নঙনা নঙগী থম্মোয়গী থোঙজান্দা লেপ্লদুনা (থোঙদ খিত্ত হাইদোক্লগা) নু শিবা খোনফমদা লেংচাশিনবনকউ হায়বনই। নুংশি পামজৈ হায়নবদা নঙোন্দা, তথি তথি তনা তনা চেনক্লগেই হায়বদি খঙলে। মদুনা নঙনু, অদুক মীনুংশি খঙদনামক্তি নঙে হায়নক্রে। এগী নাহ গী পাউখুম ওইথি ইকাইখাবনা হায়বা নঙগী মোমোন মানোক্তুনা। নঙনা যাদীং লবসু মদু যানাংদ্রবসু মদু ঐনা হায়বা পঙমক যানে নৎত্রা? নঙগী চীনবান তুমিন্না লৈখি মাগী খবক লোইনা তৌখি নঙগী মোমোন মীনোক্তুনা। নঙগী মোমোন মীনোকপু হেক থোক্লক্লবা শামায লৈদুনা চেনখি ঐগী অশাউবা।

(মার্চ ২৪, ১৯৯৯)

পূকচেল লেপ্তবী

নঙগী থম্মোয়গী মমনা কাচিন্দা

মচান মেন্দুনা থম্লিবা।

নীপা মথামসিগী মনকাসদা।

যাওবিবসিন্নু ঐ নত্তবা।

(মাচ ২১, ১৯৯৯)

আতরগুলাপকী তিংখং

নঙগী মাযথোঙ
লাপ্পা যেংবদা
ফজৈ. নীংথিজৈ।
অদুবু
মংগা যেংলুবদা নকশিন্না
খঙনকই
নঙগী খম্মোযগী কাটিন্দা
পুক্নুংনা ইংনি নপা অমা
মপাল থোকনকও মদু
নঙনা হেক হেক শাউরকপদা।

(০১ ২৯ ১৯৯৬)

প্রাইভেসি

(কনাগুম্বা অমগী অৱাবা শকক যামিন্নরুবদা)

নঙগী অনাবা পূম্বা নঙনা
হৈথবর্কাথ ঐগী তম্পাক্তা
ননাক্তা নোংম্মা ফম্লুবদা।
অদুক যাম্বা অরাবা
কবম্না নৈবম্লিবা নমাশন্দুনা
নঙগী খশেম্মায় মচাদুদা।
হে ঃ মায়খোংদো ইদবা কথামস
নিনজাং চেইবে নুংদা।
নঙগী চানবাগা মামান মাগোকা
নঙগী থাম্মোয় খুমটিনখিদুনা
মশাক মাং হংবা চম্লদবনি।

(মাচ ২৯ ১৯৯৯)

ফজবা অমসুং অশিবা

(পাউ চে অমগী ওবিচুএবি কলমদা য়াওবকপা

নপী অমগী ফোটো উকুবদা)

ওহ ! অসুক নাংথিজবা নঙবু শিবা যাববা ?

হে অশিনা নঙসু ঐ তম্না ফজবদা থাওনবাই।

(এপ্রিল ৯ ১০.৮৯)

কোর্ট কানবা

(মীগী তুংদা ফত্তবা ভাওগনবা নীপা অমদা)

নওগী চান্দুবু ঐনা মেল্লুবা যানবা?
নত্রগা
ঐনা পাম্বা মওংদা শেল্লুবা যাববা
অচুম্বগী মওং মবাল য়েংলদনা?
মা লৈতবা যুমদা লেতুম্না থানা
পাওদবা মীগী মতৌ নত্তবনবা?
নশাগী যুম
চিং শেলনা শানানি হায়না লাবিগা কাউবগে?

(এপ্রিল ৫ ১৯৯৯)

নীংহন্নরকপা

মীৎকপ থোক্লকপদা
অবা বাখল মযামদু,
হন্দোক্লুব' যাদবা অঙাং মযাম্না
হাঞ্জিল্লকপদা
বাবা লাক্লে হায়না চেনশিল্লকপগুম
চেনশিল্লব-ই।
না থিবা' নুজা অমৈ মকাদা চত্তুনা
ও খায় যেন্নশি হাযব শিবা'
অদুবু, থাডবা ঙমদে
স সানসিদা
মাগী অবা'বু
মশাগী নঙাইবনি হায়না খন্দুনা
হবাউ হবাউ তৌশিনবা ঙম্মী
নুজা অমা লেনমগনি হাযবা।
অদুনা হৌজিক্তি
পোৎলুমসি
ইযূম থাদোক বৃন্দাবন্দা চত্তুনা
শিন্নকুবশিবা থক্লে লম্খোইবা অমদা।

(এপ্রিল ৭, ১৯৯৯)

ব্রাকৎচবা

ঐগী চৎফম, ব্রা ঙাঙফম, ব্রাখল খনফম অসুম অসুম পাকশিল্লকই, ঐগী থবাযগী শান্নফম অসুম অসুম পীকশিল্লকই। মখোযগী অখানা মীংযেং যৌদনা অরোনবা অথূপ্পা মফম লৈশিল্লক্তে - অহাঙবগী ং হাঙবমক্তা ঙাযখবে।

মনম চাদনা থবাউবা খোল থাবকই, অমুবা, তুজোম্মা খুত্তু হাইগাৎলকই অঙাঙবা তোঙলবা মীৎশিংদুনা যেংথনকই। পুন্নাগী মমক অসুম অসুম থাবকই। নশিংস্ নত্তবদা মীৎলুদগী শীত্থি পি ইশাগী অশাঙবা নঙাইতবা, পেন্দবা কযা মঙক মংথঙ্ঙুনা হাপ্তোকখি মখোযদি অদম্মা। তীগেতা ঙম্মি ঐখোযদি পাঙ্গল শোনাননি - না শিনখাত্তুং নংশিনথাই।

মাঙইবা ওইগনিনা হিংনীংঙই, হিংদুনা লৈজনীংই। কনিগীনো ঐখোযন হিংহনবিরোইদনগী হোংনবিবা ঐখোযনা হিংঅনদা ববি নাম্বনো নখোযদা ঐখোযসু হিংগে, হিংঙ নখোযসু হিংমিন্নশি নেদে হোং অদুম্বনু নখোযনা মশানা যাদনা নখোযগীদা পগো হোৎনগনু শাশিন্নবা নাইনা। অদুম্ববু মাযথুম ওইনস্ শীজিন্ননিগনু। অকুৎপা মফম থম্মনি অদুম্বা। নোংমদি শোযদনা নখোয মফমসিদা যৌনিক্কনি মনম নখোয়বু কাদুনা পনক্কনি।

(এপ্রিল ১৮, ১৯৯৭)

খ্বাইরম্বন্দ বাজার

বোম পোকখাযখ্রবগুম
মায়কৈ খঙদনা চেন্নখি মাযাম।
ঙাঙবগা শকপগা লাউবগা খোংবগা
ঙহাক্তা পোখাদে ঢাম্বি।
টি বি নাববা গাডাশি
কাং কাবন চৎলি।
মমা মপাদগী
হূবাল্লকপা নাংতম্বদু
বেষ্টুবান্টদা যেন্ন চাম্নিন্নববগা থোকাখিদুনা
পাম্মুবগী যামাহা মনা দা
নোকফেৎ নোকফেৎ তোনা চৎখি নত্রাশিং।
অমোৎপা মপৈ মপৈনা
নীংঙাযদনা মাল্লি সড়ক মথক্তা।
দুকান্দাবশিংনা
পোৎলৈবা লাকপা মীশিংদু
চাথোক্কদবগুম যেংলি।
জগোই শাবি কন্না ট্রাফিক পুলিস
কন্নানসু যেংবিদনা।
ফূবীৎখাউ চপ্পা নীপাদু
মমীৎ অনীদু
হাপচিন্দুনা শান্নবি
অচৎ-অওকশিংগী ফূবীৎখাউদা,
তাঞ্জা যেংলি

মখুত্তুসু হাপচিন্নবা।
বাজাব ঙাকপা দারোগাশি না
পঙশাউদা মশাউই,
মখোযগী লৌচৈশিং
পুদুনা চৎখবে বিক্লোবালাশিংনা
মনঙ্গন্দা হাপকৎতুনা।
ঈনা বা বা থোক্লবা
পান দুকান ফম্বাদুগী চানবাহি।
অশাবা মোমোন মীনোক অমা
মাগী মাযথোঙদা
হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈবি।
লম্বাদা তাবা নুংঙাইবা পাম্বা
নাপা মযাম কৃ্য লেপ্লবি।

নোম্ভবক্লে কোলৌহনবা
চুপকে হোৎনবক্লে
নোংচুপ চাংশাংগী থেঙনবা খজাইদা।
অঙাংবা নোলদু
ওন্থখবে চীংগী নাপোমদা অশোম বাংমদা।
অমম্বা লেঙশিল্লক্লে তপ্পা তপ্পা।
খাইবম্নন্দ বাজাব
অসুম অসুম শোম্ভবক্লে,
বা ঙাঙবা থোক্লক্তবে,
মিহুন পীকশিল্লক্লে, মমীৎ উইশিনখবে
অদুম লেঙলকখিদনে।

(এপ্রিল ২২, ১৯৯৯)

মোহিনী

মোহিনী
চান্নখোইববী,
নঙবু উখি
কবিগুম্বদা
মাম তাবা
নজা অমগী
নাংখিনা মাযথোঙদা।
[illegible]
[illegible] ভিনীথি দা[illegible]ম কযানা।
কবিগুম্বা মতমদনা
নজা অমগী
মাঙোন মানোক।
খোঙ হাইদোক্তুনা
[illegible] [illegible]খোন[illegible] [illegible]ঙনা।
অদন
ওখিদবেং
চাংগানবা মানা
নঙগু চৈবদুনা
তানাশনাখি ইমু দা।
উবমই কবিগুম্বদনা
নুজা অমগী।
হাইরোং
[illegible]থবপ যেংবা মাংযোংদা।

ইকায়থীমনথ্রদুনা
থোক্লকপা ঙমদ্রবরা
তাইবংসিদা?
মীওইনা পোকপদা
নঙগী নগুণ মাঙথ্রনি কিরবরা?
নঙগী ব্রাখলদা,
নুংশিবদা
ঙাওববা ঐনি।
ঐনা নঙবু থম্মোয় শেংনা
নুংশি হায়বদি থঙ
ঙসিগী মোৎলবা
মিনুংশি লৈত্রবা সংসাবসিদা
চৎলবা, থোং-নৌববা নহাক
হিবা ঙম্লোই থন্দুনা
লোত্নুনা থাঙলবরা
কল্পনাগী সংসাবদা?
তাইবংসিদা থোম্বুনা
ঐগী নাংবা
থংতনবা ঙমদ্রে হায়দুনা নহাক
হাক্লা হাক্লা কপ্লিববা লোয়া
পিরাং শাঞ্চদুনা?
খাঙলবরা
নহকচাংদু
ফমুংথক্তা ওন্নথোইনা?
নঙগী ফজবদা, নুংশিবদা
ঙাওববা ঐনি।
থোক্লকউ লাউ মোহিনী

নঙগী চান্নবা ঐ লাক্লে ঃ

ইথাদা অমুক্তা কোনগে চেজেংনা।

লৈক্রক চৎল থম্মোযদা

নো ওইনা চুথবক্লো

ঈখৌলাংবসি কোকহল্লো।

হাযহল্লো ঐবু ঃ

‘ওঃ নহাক লাক্লবোবে।’

অদুগা

শাম্বহল্লো পি নুংঙাইবগী।

(মে ১৬ ১৯৯৭)